ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠꯁ

হুয়েন লানপাউ স্পোর্টস

ন্যু দেল্লগী টুগলাবাদতা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা পাঙথোক্লিবা শুটিং ৱর্ল্ড কপকী অহৌবা নুমীৎতা মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা ফাইনেল রাউন্দগীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবী মশাগী চহী ২৭ শুরবী অঞ্জুম মোদগিল

ইংলেন্দগা শান্নগদবা ৱান দে মেটচ সেরিজগীদমক ৱর্ল্ড কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী টিমগী শান্নরোয় ১৮গী লিষ্ট লাউথোরকপদা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা কর্নাটাকাগী বোলর এম প্রসিধ কৃষ্ণ

টোকিও ওলিম্পিক্কীদমক ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিস শান্নরোয় কমাল, সাথিয়ান, সুটিরথা অমসুং মনিকা ক্বালিফাই ওইখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৯ (এজেন্সী):

চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিস শান্নরোয় মরি শরথ কমাল, গনসেখরন সাথিয়ান, সুটিরথা মুখর্জী অমসুং মানিকা বট্রা ক্বালিফাই ওইখ্রে।

নুপাগী কাঙলূপ্তা গনসেখরন সাথিয়াননা এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টতা সাউথ এসিয়া গ্রুপকী মকোক ওইদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। মহাক্না সাউথ এসিয়া গ্রুপকী মেটচ অনী থংন-থংননা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, সরথ কমালনা গ্রুপ মঙাগী মনুংদা অনীশুবা পোজিসন তাবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা মহাক্না খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংখিবা মরম অদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা সুটিরথা মুখর্জীনা মহাক্কী রেঙ্কিংদগী হেন্না ৱাংনা লৈবী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মনিকা বট্রাবু গেম ৪-২দা ৱান ওফ মেটচ অদুদা থোইবা ঙমদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখি। অদুগা কুমজা ২০১৮গী কমন ৱেল্থ গেমসকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী মনিকা বট্রানা অনীশুবা পোজিসনা তাবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা শান্নরোয় ওইখিবগীদমক মহাকসু টোকিওদা শান্নবা য়াওগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী ওইনা সরথ কমালনা হন্দক্কী টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবা অসি মহাক্কী করিয়রগী ওইনদি মরিরকশুবা ওলিম্পিক্সনি। অমরোমদা, মনিকা বট্রাগী ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি মহাক্কী করিয়রগী অনীরকশুবা ওলিম্পিক্সনি। অদুবু গনসেকনর সাথিয়ান অমসুং সুটিরথা মুখর্জীগী ওইনদি হন্দক্কী অসিনা মশা-মশাগী করিয়রগী অহানবা ওইনা ওলিম্পিক্স শরুক য়াবা ওইগদৌরি।

ওলিম্পিক্স মরিরক শরুক য়াগদৌরবা সরথ কমালনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০২০দা মহাক্কী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না উৎপা ঙমদুনা ওমানদা পাঙথোকপা টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখি। মদুগী মতুং থাইলেন্দদা ওলিম্পিক্কী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট শরুক য়াগদবা চয়োল অনীখক্তা ঙাইরবা মতমদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা অহোংবা কয়া লাকখি। মহাক্না দবলসকী মায়কৈদসু মিক্স দবলসকী কাঙলূপ্তা মনিকা বট্রাগা লোয়নননা সেমীফাইনেল য়ৌদুনা তাঞ্জা অমা ফংলি।

পঞ্জাবনা কর্নাটাকাবু ৬-০দা থোইখ্রে, হরয়ানা অমসুং ঝরখন্দ চাওনা মায় পাকপা ঙমখ্রে

জিন্দ, মার্চ ১৯ (এজেন্সী) :

হরয়ানাগী জিন্দ সিটিদা থা অসিগী ১৭তগী হৌখিবা ১১শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র মেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা হোক্কী পঞ্জাবনা হোক্কী কর্নাটাকাবু পাঞ্জল ৬-০দা থোইখ্রে। যূম্নু হরয়ানা অমসুং উত্তরখন্দসু মখোয়গী লম্বাশিং অদুবু চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

হোক্কী পঞ্জাব অমসুং হোক্কী কর্নাটাকা অনীগী মেটচ হৌরকপা অহানবা ক্বার্টরদা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। টিম অদুদা হেটট্রিক ফংখিবা পঞ্জাবকী দিলরাজ সিংহনা শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা চনখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু দিলরাজ সিংহনা মেটচকী ১২শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা কর্নাটাকাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ পঞ্জাবকী অতোপ্পা শান্নরোয় সন্দিপ সিংহনা ২৫শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগা চন্দুনা ৩-০দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

হাফ মতুংদা কর্নাটাকাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অহুমশুবা ক্বার্টর অদু মখোয়না পাঞ্জল অমত্তা চলহনখিদে। অদুবু মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর অদুদা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী জস্করন্দিপনা পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা হেটট্রিক ফংখিবা দিলরাজনা ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা মেটচ অদু ৬-০দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী যূম্নু হরিয়ানা অমসুং রাজস্থানগা শান্নখিবা মেটচ অদু হরয়ানানা ৩-১দা থোইবা ঙমখি। মেটচকী অহানবা ক্বার্টর অদু হরয়ানাগী মায়কৈদগী এটেক চথবা হেনখি। পাঞ্জল ২সু চনবা ঙমখি। অহানবা মিনটতা হরয়ানাগী খাসা অমিটনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। ৬শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী পঞ্চল প্রিক্সিটনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টর পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদবা মরম্না অহানবা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা হরয়ানানা রাজস্থানবু ২-০দা মাঙজিল থাখি।

হাফ মতুং শান্নরকপা ৩শুবা ক্বার্টরদা নাকল অনীমক্তগী পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। রাজস্থানগী মায়কৈদগী সক্তাৱট অজয়না ৩২শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাঞ্জল চনখি। মদুগী মখা তারকপা ক্বার্টর অদুমক্তদা হরয়ানাগী মায়কৈদগী রবিন্দরনা ৪২শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না রাজস্থানবু ৩-১দা থোইবা ঙমখি।

হোক্কী ঝরখন্দনা হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদুবু ৫-০দা থোইখি। ঝরখন্দগী মায়কৈদগী মিন্স অদিসননা পাঞ্জল ২ চনখি। কেপ্টেন গুরিয়া সুকনাথনা পাঞ্জল ১, লোয়নননা দোদ্রেমিট অমদি লকারা রিটিকসু পাঞ্জল অমমম্ চনখি।

এ এম আই এম ৱাই দি ও (এ)না এন ৱাই ভি এ (এ)বু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯(ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ১৯শুবা মিনি বোইজ এন্দ গর্লস ষ্টেট লেভেল ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১গী মিনি বোইজকী টাইটল অদু এ এম আই এম ৱাই দি ও (এ)না এন ৱাই ভি এ (এ)বু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি কাঙলূপ অসিগী ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদগী হৌরগা ফাইনেল ফাওবা শান্নখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা এ এম আই এম ৱাই দি ও (এ)না ৱাই দি এবু সেট ৩-০ (২৫-২৩, ২৭-২৫, ২৫-১০)দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

এন ৱাই ভি এ (এ)না এস সী ৱাই সী বু সেট ৩-০ (২৫-১৭, ২৫-১৯, ২৫-২১)দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকপনি। এ এম আই এম ৱাই দি ও (এ)না সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌখিবা ক্লব আর সীনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এ এম আই এম ৱাই দি ও (বি)বু সেট ৩-২ (২৩-২৫, ২৫-১৭, ২৫-১৫, ১৩-২৫, ১৫-১২)দা থোইরম্বনি।

এন ৱাই ভি এ (এ)না সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌখিবা এম আর সীনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা আই কে দব্লিয়ু ৱাই দব্লিয়ু এবু সেট ৩-০ (২৫-২০, ২৭-২৫, ২৫-২০)দা মায়থীবা পীরম্বনি।

ঙসিগী সেমীফাইনেল মেটচতা এ এম আই এম ৱাই দি ও (এ)গা আর সীগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু অকনবা মওংদা লেং মান্নদুনা পোইন্ট ২৮-২৮ ফাওবা মান্নদুনা লাকখি। অদুবু এ এম আই এম ৱাই দি ও (এ)না ৩০-২৮দা থোইখি। অনীশুবা সেট টিম অদুনা ২৫-২১দা থোইখি। অদুবু অহুমশুবা সেট অদুদা আর সীনা ২৯-২৭তা থোইরগা মরিশুবা সেট অদু এ এম আই এম ৱাই দি ও (এ)না ২৫-১৮দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখি।

অতোপ্পা সেমীফাইনেলদা এন ৱাই ভি এ (এ)গা এম আর সীগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট এম আর সীনা ২৫-২১দা থোইরল্লবা মতুং মখা তারকপা সেট ৩ এন ৱাই ভি এ (এ)গী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লক্তুনা ২৫-২১, ২৫-২২, ২৫-২০দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখি।

ফাইনেল মেটচকী অহানবা সেট এ এম আই এম ৱাই দি ও (এ)না ২৫-২২দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদু এম ৱাই ভি এ (এ)না ২৫-২০দা থোইদুনা সেট অমমম্ মান্নখি। থংনবা অহুমশুবা সেট অদুসু এম ৱাই ভি এ (এ)না ২৫-২৩দা থোইদুনা মখোয়না এ এম আই এম ৱাই দি ও (এ)বু সেট ২-১দা মাঙজিল থাখি। মেটচ মখা তারকপদা এ এম আই এম ৱাই দি ও (এ)গী মায়কৈদগী লাকশিল্লক্তুনা ৪শুবা অমদি ৫শুবা সেট অদু ২৫-১৫, ১৬-১৪দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ থা অসিগী ২২দগী লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌরগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপগা লোয়নননা টুর্নামেন্ট অসিদা সেন্ট্রেল রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টম (সী আর এস)গী খূথাংদা মাংজৌননা ট্রান্সফর/ রিন্যুএল/ ফ্রেশকীদমক এপ্লাই তৌখ্রবা শান্নরোয়শিংসু শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি। অদুবু পোকপগী মতম খেন্ননা মেনশিল্লুরবা সিষ্টম অসিনা রিজেক্ট তৌরক্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি শরুক য়াবা য়ারোই হায়রি।

অম্ফাগী মায়কৈদগী তোঙান্না থাদোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ২১দা হৌজিক-হৌজিক ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চথুরিবা হিরো আই লীগকী থা অসিগী ২১দা শান্নগদৌরিবা য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমদা চর্চিল ব্রদর্স গোৱাগা লম্বা তৌগদৌরিবা মণিপুরগী ট্রাও এফ সীবু য়াইফ থৌজাল পীরি। হায়রিবা মেটচ অদু করিগুম্বা ট্রাও এফ সীনা থোইবা ঙম্লবদি পোইন্ট টেবলদা মখোয়না হৌজিক-হৌজিক মাঙজিল থারিবা অদু মখা তানা থাবা ঙমগদৌরিবনি। লোয়নননা দ্রো চৎলবসু গোল দিফরেন্সতা চর্চিল ব্রদর্সদগী হেন্দুনা লৈবা মরম্না ট্রাওনা মকোক ওইগদৌরি।

সাইনা শান্নরোয়শিং কৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস):

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া এস টি সী খুমন লম্পাককী দেপ্যুটি দিরেক্টরনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না স্পোর্টস সেন্টর অসিদা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিন ৮গী শান্নরোয়শিং কৌরি।

জিম্নাষ্টিকতা চহী ১০দগীনা ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা শান্নরোয়শিং (রেসিদেন্সিএল অমসুং নন-রেসিদেন্সিএল), বোক্সিংদা চহী ১২দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা (রেসিদেন্সিএল অমসুং নন-রেসিদেন্সিএল), জুদো চহী ১২দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা (রেসিদেন্সিএল অমসুং নন-রেসিদেন্সিএল), রেষ্টলিং চহী ১২দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা (রেসিদেন্সিএল অমসুং নন-রেসিদেন্সিএল), ৱুশু চহী ১২দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা (রেসিদেন্সিএল), করাটি-দো চহী ১২দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা (রেসিদেন্সিএল), সেপাক টাক্রো চহী ১২দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা (রেসিদেন্সিএল) অমসুং স্বিমিং এন্দ দাইভিংগী চহী ১০দগীনা ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা (নন-রেসিদেন্সিএল)নি। শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা মার্চ ২২দগীনা এপ্রিল ১ ফাওবা ফোর্ম লৌবা য়াগনি। থাজিনবগী অরোইবা নুমীৎনা এপ্রিল ৫নি। খল্লবশিংনা এপ্রিল ৮ অমসুং ৯দা সেন্টর অসিদা টেষ্ট তৌগনি।

মালেম এফ সী কৈশাম ফাইনেল য়ৌখ্রে

য়াইরিপোক, মার্চ ১৯(ঐচ এন এস):

ভিলেজেস কম্যুনিটি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটি (ভি সী পি সী)না শীন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা ভি সী পি সী ট্রোফি মণিপুর ষ্টেট ওপন ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা মালেম এফ সী কৈশামনা য়াইরি এফ সী কেক্রুবু পেনাল্টিদা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মালেম এফ সী কৈশামগী জর্সি নম্বর ১০ সুশিলনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা চনখিবনি। য়াইরি এফ সী কেক্রুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

ঙসি মায় পাক্লবা মালেম এফ সী কৈশামনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ঙরাং জেক এফ সী অংথাবু মায়থীবা পীরম্বা অল অমিন শঙ্গাইয়ুম্ফমগা লম্বা তৌনরগনি।

এ টি আই কে এ এফ সী, কংলা এফ সী অমসুং বোরিশ এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস):

ইমোইনু য়ুথ ফুটবোল এসোসিয়েসন (ঈ ৱাই এফ এ) না শীন্দুনা ৱাঙ্খৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা রামজি গ্রাউন্দদা অহুমলকশুবা ইমোইনু ট্রোফি ৫-এ সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এ টি আই কে এ এফ সীনা সলাই এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। কংলা এফ সীনা সঙাই এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা অদুগা বোরিশ এফ সীনা ইমোইনু এফ সীগা লম্বা তৌনবদা টোস তৌনবদা বোরিশ এফ সীনা মায় পাকখি।

এ টি আই কে এ এফ সীগী মায়কৈদগী ১৫শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৬ মুষ্টাকনা পেনাল্টি অমা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু এ টি আই কে এ এফ সীনা ১-০দা থোইখি।

অনীশুবা মেটচতা কংলা এফ সীনা সঙাই এফ সীগা লম্বা তৌনখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা সঙাই এফ সীগী শান্নরোয় অমনা শোয়বদগী চনশিঞ্জখিবা পাঞ্জলনা কংলা এফ সীগী অহানবা পাঞ্জল ওইখি। শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা কংলা এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৯ মালেমনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ২-০দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ইমোইনু এফ সীগা বোরিশ এফ সীগা লম্বা তৌনখি। মদুদা মায় পাক্লবা ঙম্নদবদগী টোস তৌনবদা বোরিশ এফ সীনা ঙমখি।

অহানবা য়াইসা ফুটবোল ফেষ্টিভেল হৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস):

ককচীংদা লৈবা য়াইসা স্পোর্টস এরেনাদা চহী ১৩ মখাগী অহানবা য়াইসা ফুটবোল ফেষ্টিভেল ২০২১ থা অসিগী ২০দগী হৌরগনি।

ফেষ্টিভেল অসিদা পূন্না ফুটবোল টিম ১৩না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্তুনা লম্বা তৌনগদৌরি। গ্রুপ এদা নাওফিট থৌবাল, ফ্যুচর ফাউন্দেসন অমসুং সেংমাই নিংথৌ এফ সী শান্নগনি।

গ্রুপ বিদা এল এম এল সী সী লাংমৈদোং, জে এ ককচীং অমসুং খমলাংবা এফ সীনি।

গ্রুপ সীদা য়ং এফ সী, য়ুঠ য়ুনিয়ন ক্লব ৱাইরি অমসুং ঈ টি ঐচ এল এফ এ ৱাইখোংনি।

গ্রুপ দিদা দি এফ সী, অমুজাও এফ সী, এস দব্লিয়ু সী কৈরক অমসুং কে এস দব্লিয়ু সী ককচীং খুনৌনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসিগী মতম অদু মিনট (১৫ প্লস ৫ প্লস ১৫) ওইগনি। গ্রুপ ৪দগী মকোক থোংবা টিম অনীনা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগদৌরি।



ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯂꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021

Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi
1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020

9TH POSITION
NOVEENA KSH
D/o. Sarvodayachand
Nirmalabas

10TH POSITION
CHALTAN Y.
S/o. Y. Shantikumar
St. Joseph

15TH POSITION
TH. JEET
S/o. Th. Rashi
St. Joseph

19TH POSITION
DHANTHOI S.
D/o. S. Homeshor
Nirmalabas

19TH POSITION
MARY L.
D/o. Dr. John P.
Little Flower

25TH POSITION
H. NANDIBALA
D/o. H. Nandalal
Nirmalabas

25TH POSITION
HENRY O
S/o. O. Kumud
St. Joseph

HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST	Exam - Time 1p.m. to 4 p.m.	Date	22/03/2021	24/03/21	27/03/21	03/04/21	05/04/21	08/04/21
		Sub:	Maths	MIL	S. Sc.	Science	English	Adl. Sub.

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6780/10/2-17/3

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 57

Renner, Kai (2159) - Browning, Alex (2302)
DSOL 1. Liga Gruppe B play.chessbase.com, 2021.03.01

1.e4 c5	2.Nf3 d6	3.d4 cxd4	4.Nxd4 Nf6
5.Nc3 a6	6.Be2 e5	7.Nb3 Be7	8.O-O O-O
9.Qd3 Nbd7	10.a4 b6	11.Qg3 Kh8	12.Be3 Bb7
13.f3 d5	14.exd5 Nxd5	15.Nxd5 Bxd5	16.Rfd1 Be6
17.Qf2 Qc7	18.Bd3 f5	19.Qe2 e4	20.fxe4 f4
21.Nd4 Bf7	22.Bf2 Ne5	23.Kh1 Bc5	24.Bg1 f3
25.Nxf3 Bh5	26.Rf1 Rf6	27.Bxc5 bxc5	28.Qe3 Bxf3
29.gxf3 Raf8	30.Be2 Ng6	31.Rad1 Nf4	32.Rd2 c4
33.Rd4 Qb6	34.c3 Rh6	35.Qd2...	

QUESTION :

Black wins in 6 moves

Puzzle 56 Ans. :

1. ...Rxb2+ **2.** Kxb2 Rb3+ **3.** cxb3 Qxb3+ **4.** Ka1 Qc3+ **5.** Ka2 Qd2+ **6.** Kb1 Qxe1+ **7.** Kc2 Qd1+ **8.** Kb2 Qb3+ **9.** Ka1 e1Q#